# নঙ ভোট লেপ্পু

- এল ইবোমচা -

হায় হায় শৌরা ইবো...?

করি তাকপীগদবা, ইবুংঙো শেল্লুংবা...!

নবুংঙো ঐগী মাঙগী কুঞ্জা, তুংগী নামৈ, করম তৌরিবগে অমুক্তা মুন্না য়েংউ হায়গে তৌবনিনে, মীনাই মচা নঙবো...!

এ এ অদুগী ওইরে... আ মাঙসু, তুংসু য়েংবদা অদুমক য়ারে, ফজরে ইবুংঙো শেল্লুংবা...!

শৌরা ইবো, ঙসিদি ইবুধৌ থাংজিং হরাওবগী অহৌবা নুমিৎনি, নবেন্মা মজাইবেন্মা থোইবী হরাউ পুংদা খোঙদোইরক্কদৌরি, অদুগীদমকনিনে ঐনা ঙসাই অয়ূক অঙনবদগী মকে শেল্লিবসে!... মবুংঙো নোংবালগী ৰা তাবদগী শৌরা মনাক নকশিন্না মাঙ-তুং, য়েৎনা ওইনা কোয়না লৈদুনা য়েংলবা তুংদা মখা তারকই।

ইবুংঙো শেল্লুংবা মতুংগী নামৈসিদি কৌবা চোনবা চপ চানা ফজরে, অদুবু মাঙগী কুঞ্জাসিদি খরা খজিক চোনবা মাল্লি, খোঙ্গাওনদুনা নেৎলগনি।

থীদা, মীনাই মচাসিদি, ঙসাইনা কোক হায়রকপদি কমদৌই।

খন্বা হায়বা অয়ূক চারগা নুমিদাং চরা হেনবা, পিদৎ পাদৎপা, লমজা শারা, মাগুম্বনসু নোংবাল ঐগী ইকাদা য়েৎপা ওইনা মজাইবেন্মা থোইবীদকসু মীতাজবা শারিয়ে, করি থোকই হায়দুনা তৌজ শারিনো, মতিক মপা চাই-চাদে হেক খঙদনা। খঙগনিদো শারিশো, নোংবাল ইতিক খঙহনগে, মোইরাংদগী মপা কনা লাক্কুনা মাবু কনবীরবা ঙম্বগে য়েংবীগে, মোইরাংদা ইতিকনি, কেগেদা ইনিংনি খঙদবা শারদনা।

হায় তোনু?

ইবুংঙো শেল্লুংবা, করি য়াৰা তাকপীগদবা লৈবগে তাকপীয়ুদো ননাইদা।

নঙনা তম্লুবা ঐগী য়াৰা করি পাউখুমদি পীরকই ওইনা চাওবী শকহেনবী থন্বালনুনা...!

ইবুংঙো প্রোনামসিং শেল্লুংবা... ঐবু করি হায়নবু পাওদমসিগে... আ মানা হায়রকপদুবু ... মাদি লায়রা মচা মোহন সিংগীদমক্তা পুন্সিগী ওইনা লেপখ্রে হায়নদুম পাউদল্লকই। অদুগা অমনা, য়াইরিপোক লমদমসিদা ঐঙোন্দগী হেন্না শক চু চংখোনবা, ইনাক কৈরাক খুনবা কোকথোঙ অমা লৈবনি, ঐ ইশানা য়াদে হায়বা মহাক খঙলবনি, লাইমা ইকায়বা খঙদেদকো মায়থাবা প্রোনামসিং হায়নবু চৈবু চৈরকইনে... শেল্লুংবা।

অদুমক হেক হায়রকপ্রা... তোনু...? খঙগনিদনা লমকেৎ লমহাইবী মহাক, প্রোনামসিং কনানো খঙহনগে, মখুদাং লাক্কুনা চিংলগা লমজাও সরক্তা মীয়াম মাঙদা খোঙ্গোইনগে, মোহনসিং হায়বা লায়র চুদৎনবদুনা মাগী মথৰায় কনবা ঙম্বা খঙহনগে।

মহাভারতকী হষ্টিনাপুরগী নাপল চাওরবা মীনুংশি খঙদবা কৌরব মচিন মনাও চাম্মবু ধর্ম্ম লৈবা মীনুংশি চাওবা পান্দব মচিন মনাও মঙানা মহাভারতকী লালদা তুম্না হাৎলগা মায়থীবা পীদুনা মালেমগী তাইবঙদা মখোয়না পীরম্বা অৰাবা চৈথেং কোকহনবীরম্মী।

মথুরা লৈবাক্তা শিবা নাইদবগী বর ফংদুনা মনীং তম্না হাইনা হুন্না, ঐ মঙাইরে খন্না মালেমসিদা পাল্লম্বা মহারাজ কঙ্স মাগা হেক পোকমিন্নবা মচল ইবেন্মা দেবকিনা পোকচবা মচানুপা শ্রীকৃষ্ণনা তাইবঙসিদা মানা পীবা মীওৎ মীনৈ অমসুং অৰা চৈথেংদগী কোকহন্নবা মাগী খূৎতা লানবীখিদুনা অরোইবা য়াহিপ তাহন্দুনা তাইবঙবু তপ্না থম্বীখি।

রামায়নগী ৱারীদা, মালেমদা কন থৌবদা, ইনাক কৈরাক খুনবদা, তৌগে খনবদা ঙমদবা লৈতবা, স্বর্গ য়ৌনা সনাগী কৈরাক থাবা ঙম্বা, মালেম্বুসু থক-খা ওন্থোকপা ঙম্বা, তৌনীংবতা তৌবা ঙম্বা, মাগী মতিক চাবা লম্বা মালেমদা পোকত্রিবা, লংকাগী নিংথৌ রাবননি। অযোধ্যাগী নিংথৌ শ্রীরামগী লোয়নবী সতি সিতাবু মাগী তালোই ওইননবা লঙ্কা তম্না নমথাক তৌদুনা পুখিবগী ৱাথোক্তা, শ্রীরামগী অচানবা ভক্ত হনুমান্না রাবনগী লঙ্কাগী কোনুং মৈনা চুম্না থাদোকখি অমসুং লঙ্কাগী অকনবা লানফমদা মহারাজ রাবন, শ্রীরাম অমসুং লক্ষ্মন মচিন মনাও অনীগী মখূৎতা থৰায় থাখিবদগী মালেম অসি ঈং তপ্না লৈহনবীরম্মী।

মতৌ অসুম্না পুৰারীগী নাপল চাওবা মীফৎতশিং অসিবু লোইশিন্দুনা মাঙহনবা ঙম্বা মতম মতমদুগী মীথোই মীহেনবা লাইপোক্কুম্বা অমমম পোকপীরমদুনা মালেম অসি ঈং-তপ্না, নুংশি চান্ননা চপ মান্নবা থাক্তা ঐখোয় পূন্না লৈমিন্ননবা শিনবীরম্মী।

অদুগা ঙসিগী কলি যুগ (কোন্না চক) অসিদসু নত্তবা পাম্বৈদগী অহিং অমা অনীদা শেঞ্জাও পায়রক্তুনা মরল মথুম চীংমুক ৱাংনা পৈবা ঙম্বগা লোয়ননা ময়ূম মকৈ কোনুংগুম্না ফুরা দলান শাবা ঙমদুনা ঙকচাও থেক্লা নাপল কাবা মীওই কয়ামা লৈরক্লে। মখোয়না পৈশাবু মরাং কায়না লৈরবদি তৌগে খনবদা ঙমদবা লৈতে, নীংখিবনা নাপলগা লোয়ননা মানা লোয়বা মীওই খরা মতুংদা ইন্নহন্দুনা লমজাও সরক্তা ঐ মঙাইরে খন্না চৎলি অমসুং লৈত লায়রবদা মতেং পাংবা শাশিন্নরগা মচা মৰা লৈজদ্রবা লুখ্রাবীশিংদা নত্তবা মীৎয়েং য়েংবীরি। মখোয়না মতম লৈবা খিবিক্তা মখোয়দগী হেনবনি খঞ্জবশিং য়ারিবমখৈ লৈখা তাখিনবা অমসুং অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মূখুৎনবা হোৎনৈ। ফৎতবা মীগী হৌনবা, অতোপ্পনা মঙোন্দা ফৎতবা থবক তৌরক্কনি চিংনবদগী মতম লৈবা খিৰিক্তা নাইতোম চৎতে, করিগুম্বদা চৎপা তারবসু মখূৎতা মী শিবা য়াবা খূৎশু খূৎলায় লোয়নদুনা চৎলি।

মথক্কী পুৰারীগী নাপল চাউবা মীফত্তশিং অসিবুদি লানবীবা ঙম্বা মতিক ময়াই চেনবা লাইপোক্কুম্বা অমমম পোকহনবীরমদুনা মখোয়গী মীওৎ মীনৈদগী কনবীরম্মী। অদুগা ঙসিগী মীফত্তশিং অসিবু লানবীবা ঙম্বা মতিক ময়াই চেনবা লাইপোক অমত্তা পোল্লকপা উবা ফংদে। মসিনা মরম ওইরগা নাপলগী শাজৎ হন্থরকপগী মহুত্তা হেন্না হেন্না হেনগৎলক্তুনা মী মরক্তা শা ওল্লক্তুনা মাগী অনীংবদা অয়েৎপা পীরুবা মীওইশিং অৰা ফমদা তাহন্নবা হোৎনৈ। নাপলনা থুমহৎখিদুনা মীবু মী ওইনা উবদগী শাজৎতা মমা-মপা, মচিন মনাও, মরুপ মপাং খাক্তনা নঙ, মা, হে, হি, ভাব তারব্রা, তারনিকো, হায়বা ৱাহৈসিনা মাগী অথোইবা লোল ওইনা শীজিন্নখিবনা অতোপ্পা অতাবা মীওইশিংদা শাথীনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইহন্দ্রে। মখোয়গী নাপলগী কোক খূৎচাক অসিদগী কন্ননবা খ্বাইদগী ফরবা লায়েং পথাপতি মখোয়গী লোৎতুনা থল্লিবা মরল মথুমশিং অসি শিৎ নান্না লোইশিনহন্দুনা ময়েং তাহনবা অদুনা ওইগনি। মসিবু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি থাথাদি ওইরোই, উচিগী ৱারেপ্তা হৌদোংদা শরিক থাংবা ওইনা থোক্কদৌরিবনি। অদু ওইরবদি তাইবঙ মপুনা মখোয়বু লানবীবা ঙম্বা মতিক ময়াই চেনবা লাইপোক অমা পোকহল্লকপা ঙাইবা তাবনি।

হুম : ৱাখল অসি লান্না চৎখ্রমাল্লে, অদুগী শরুকপুদি ঐখোয় ময়াম পূন্না হৌনদুনা (নঙ ভোট লেপ্পু) হায়না থেমদুনা ইনশিনবনা চুমগদবা মাল্লি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## রসিয়া-য়ুক্রেনগী লান অসি অচুম-অরানগী ৱাফম থিদনা অথুবদা লোইশিনবীয়ু : জেনরেল হেদক্বার্টর য়ু এফ ও

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস): মালেমগী ওইনা অহুম শুবা লাঞ্জাও ফাওবা থোল্লকপা য়াই হায়না হায়নরিবা রসিয়া-য়ুক্রেন অনীগী লান অসি অচুম-অরানগী ৱাফম থিদনা, মীওইবা খুন্নাই অমদি থৰায় পানবা ময়াম্বু তংদু-লৈতানা অমদি ইং-চিক্লা লৈনবা অথুবদা লান লেপ্লীয়ু হায়না জেনরেল হেদক্বার্টর য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী মহুৎ শিন্দুনা কেম্প কম্মান্দর অমদি মুভমেন্ট ইনষ্ট্রক্টর তখেলময়ুম মোহেননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি চীংনুংখোক হেদক্বার্টরদা নোর্থ ইষ্টকী অহানবা অমদি অনীশুবা বট্টালিয়ন অনীনা খূৎশম্নদুনা পীছ এন্দ লভ হায়বা থিমদা শীনবা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা ২৯ শুবা মার্চ কেম্প লোইশিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

কেম্প কম্মান্দর টি মোহেননা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসনগী লান লৈতবা মালেম অমা ওইহনবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা রসিয়া অমদি য়ুক্রেন অনীগী লান অসি অথুবদা লোইশিনবীদুনা ইং-তপ্পগী পাউজেল ওইনা য়েনবীয়ু হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, মার্চ কেম্প অসি ইহান হানবা ওইনা ওজা পুরেল আর কে মনিসনা লৈরিঙৈদা ইং ১৯৯৩ দগী হৌদুনা পাঙথোরকপনি অদুবু ওজা পুরেল লৈখিদ্রবা মতুং ইং ২০০৬ তগী মমাঙ চহী ২০২১ ফাওবা চহী ১৬ পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। য়াওশঙ কুম্লোগা মরী লৈননা নহারোলশিং অমদি য়ু এফ ওগী মেম্বরশিংনা মতম মাঙহন্দনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাদনা কা হেন্না ঈথক-ঈরাংদা তাওদুনা লৈখিদনবা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকপা কেম্পকী মনুং চন্না এ, বি অমদি রিজর্ভ কম্পনি অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা থাঙ অমদি তা তন্বীবগী থৌরম পাঙথোকপদা নত্তনা অয়ুক্কী মতমদা কেম্পকী অকোয়বদা লু-নান্না থম্নবা শিং শেংবা অমদি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা নহারোলশিংদা মথৌ তাগদবা ইপা-ইপুগী নাৎকী মরমদা থিওরি ক্লাস অমদি য়ু এফ ও মেম্বরশিংগী ওইবা মথৌ তাবশিং খন্ন-নৈনবগী থৌরম চথখি হায়না মুভমেন্ট ইনষ্ট্রক্টরনা মখা তাখি।

মার্চ কেম্প অদুদা কেম্পর ৫০ না শরুক য়াখি। লোইশিনবগী থৌরমদা চীংনুংখোক নোংগ্রেন গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধান অঙোমচা ইমোনা অথোইবা মীথুংলেন, য়ু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই মৈরাবনা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি য়ু এফ ও চীংনুংখোক হেদক্বার্টর-১ গী প্রসিদেন্ট ওইনাম তোম্বনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মীওই ১০০ রোম্না শরুক য়াখি।

/অমাংথোঙ তঙ্খায় অমসু পোম্বা খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদগী মচুম তারকপা, তারকপা মচুম অদু মনম নমথিবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা পূক হেক্তা কংখৎলকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ তঙ্খায় অমা পোমথোরকপা, অহানবা অমাংথোঙদা তঙ্খায় অমা পোমথোরকপা নারি-শারি তৌরগা লৈবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা করিসু তৌরক্তবা, অমাংথোঙদা তঙ্খায় নাবা পোমথোকপা অদু ইহৈতা হৈনদবা পোকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, শৌজ অদু খূৎনা ইনখৎপা য়াদবা মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনখৎমন্দনা অমাংথোঙদা নারকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ঈ খকউ শুকয়া য়াদবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, ঈ তাবা অমদি হাক্কৎচবা অদু শা-ঙা চারগা হেনবা অমদি ঙানু চারগা অমুক হেনবা অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা খূৎনা থিঞ্জিল্লগা য়েংবা মতমদা, খোঙ হান্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হান্বা খোঙ অকনবা অদুনা অমাংথোঙ মনুংদগী পোমথোকপা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদগী মচুম তারকপা, মচুম অদু য়াম্না মনম নমথিবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা পূক হেক্তা কংখৎলকপা, পূক কংখৎলকপা অদুনা য়াম্না নুংঙাইতবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **E. Manao Meitei**
Pangei

HL-B/7498/24

**WANTED TEACHERS**

**NEW MODEL PUBLIC SCHOOL, MOIRANG KHOIYANGBAM**

| Required | SUBJECT | Asst. Teacher of | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1 | SCIENCE | III-VI | 7 to 8 K |
| 2 | ENGLISH | III-VI | 7 to 8 K |
| 3 | HINDI | III-VI | 7 to 8 K |

Interested candidates may come to school for sit in interview on 27th March, 2022 (Sunday) at 11 am with relevant documents.

HL-P/1890/24

**THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD.**

**Administrative Office, M.G. Avenue, Imphal**

**/ NOTICE**

Imphal, the 17th March, 2022

No.IUCB/23(a)//2021-22: In continuation of the Bank's Notice of even No. dated 30th July, 2021 and in compliance of the Judgement and order dated 07-02-2022 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in WA No. 38 of 2021, WP(C) No. 18 of 2022, MC(WPC) No. 10 of 2022 and letter No. B-Coop./IUCB/Election/2017 dated 14-03-2022 of the Registrar of Cooperative Societies, Manipur, the Representative General Body meeting for election of Board of Directors of the Bank for the term 2017-2018 to 2021-2022 will be held on Monday, the 4th April 2022 at 10.00 A.M. at the G.M. Hall, Imphal. The Registration of the Delegates will start at 9.00 a.m. onwards.

Hence, all concerned Delegates are requested to attend the meeting in time.

By Order of the Administrator,
**H. Meghachandra Sharma**
Asst. General Manager

HL-P/1939/18,19,24

## মী খরা মতৈ-মনাও ওইনা পামজে

নুপানা দুকান্দা পোৎ সপ্লাই চৎকদবা, নুপীনা ফেক্টরিদা থবক শুনবা মশাগী গাড়ী মচা লৈজবা চহী ২০-৪০ ফাওবা ওইগদবা থাগী তলপ নুপাগী ওইনা ৮০০০-২৪০০০ ফাওবা ওইগনি। নুপীগীনা ৭০০০তগী হৌজগনি। অরাপ্পশিংগী ওইনদি লৈফম পীজগনি।

**Sd/- Chingtham Arjun Singh**
Changangei Maning Leikai
# 8837369521

HL-P/1889/24

## / CHAHIGI DASHA YENGJARI



Apaiba dasha, Yeknaba, Laina-tinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
**(International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-P/1841/6/3-7/4 (alt)

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD.**
**M.G. AVENUE, IMPHAL**

**/ NOTIFICATION**

Imphal, the 17th March, 2022

No. 1/RO/Election/IUCB/2021: In continuation of Notification of even No. dated 16/08/2021 of this Office and in compliance of the Judgement and Order dated 07/02/2022 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in WA No. 38 of 2021, WP(C) No. 18 of 2022, MC(WPC) No. 10 of 2022 and letter No. B-Coop./IUCB/Election/2017 dated 14-03-2022 of the Registrar of Cooperative Societies, Manipur, result for election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. for the term 2017-18 to 2021-22 will be declared on Monday, the 4th April, 2022, at 10.00 a.m. at G.M. Hall, Imphal

2. Hence, all concerned Delegates are requested to attend on time.

**Sd/- T. Pradwipkumar Singh**
Returning Officer,
Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.

HL-P/1939/18,19,24

## / ইম্খোল য়োঞ্জরি

ইম্ফালদগী বিষ্ণুপুর ফাওবগী মনুংদা লৈবা পোইন্ট 41 চাওবা অমদি 250ft, Main Road তা direct touch তৌবা লম অমা য়োঞ্জরি। অহানবা লাকপা মীওইদা খূদোংচাবা পীজগনি।

HL-P/1943/19,24
**# 7005047102**

## / অৰাবা ফোঙদোকচরি



মৈতৈ ইপানাৎ ইপুনাৎ কনবা লূপ (মীকল) কাইরংগী মতম শাংনা লূপরোই ওইবিরম্বা ৱাংখেম য়াইসকুল মৈতৈনা ইখঙ খঙহৌদনা, মনুং মতম চাদনা চৈচৎ ১৯-৩-২০২২ কুমজা লমতাগী ১৬নি পানবা থাংজ নুমিৎতা লৈখিদবা অসিদা মৈতৈ ইপানাৎ ইপুনাৎ কনবা লূপকী লূপরোইশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি অমদি তাইবং মপূগী লৈকোন্দা লৈখিদ্রবগী থৰায় মীরেলনা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়না মপূগী মফমদসু খুরুমজরি।

নোল্লুকচরিবা : **Mangshidam Shyam Angomcha**
Secretary,
MIIKL Kairang

HL-P/1887/24

## / নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর (শামু)

ঐগী য়েৎ থংবা কিদনিদা 7mm চাওবা নুঙ অমা লৈরম্বা অদু সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক আই.টি.আই. মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর, হর্বেল ফিজিসিয়ান স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোননা লায়েংবীবা হপ্তা ৫ শুবদা অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌরুবদা লৈরমদ্রে। মসিগীদমক ওজা অমদি মহাক্কী মচানুপা সুধাকরবু ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Ksh. Khamba Singh**
Kongba Uchekon Khunou,
Imphal East

HL-P/1928/18,19,24

**IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL**

**Mat (Declaration) Suit No 14 of 2022**

Oinam Rasheswori Chanu, aged about 33 years, having Aadhaar No. 787503706876, D/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, PO. Canchipur, PS. Singjamei, Imphal West District, Manipur-795003

**...Plaintiff**

Versus

1. Smt. Oinam (N) Hemabati Devi, aged about 42 years, D/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Mayai Leikai and W/o Sukham Hemchandra Meitei of Bashikhong Torban Leikai, PO. Singjamei & PS. Irilbung, Imphal East.
2. Oinam Gandhi Meitei, aged about 38 years, Aadhaar No. 981744439333, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.
3. Oinam Chandrakumar Meitei, aged about 36 years, Aadhaar No. 282242208470, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.
4. Premananda Oinam, aged about 30 years, Aadhaar No. 941779404592, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.

**...Defendants**

To,

All the interested Persons.

Whereas, the above named Plaintiff has filed a suit against you u/S 34 of the Specific Relief Act r/w Sec. 7(1)(a) Expl. (e) of the Family Courts, Act 1984 praying for declaring that the plaintiff is the unmarried daughter and natural daughter of Late Oinam Subadani Devi and Late (L) O. Irabot Meitei; all the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 11.04.2022 at 10:30 A.M either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all the material questions relating to the case and to file written objection, if any.

Take notice that in default to your appearance on the mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court, this 17th March, 2022.

Seal:-

By: **Y. Nodiachand**
Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**
Family Court, Manipur

HL-P/1953/24,25,26

**GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**/ NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 16th March, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Jamiatul Ulama-e-Mayang Imphal"** address as Bengoon Mayang Imphal, Imphal West on 14-03-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Mayang Imphal**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/1951/24

**GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**/ NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 23rd March, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Wangoi Springshed Watershed Development Committee"** address as Wangoi Bazar on 14-03-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Wangoi**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 7005476625 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/1946/24

**GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**/ NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 23rd March, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Laphupat Tera Khordak Springshed Watershed Development Committee"** address as Laphupat Tera, I/W, P.O. & P.S. - Mayang Imphal, Imphal West on 16-03-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Laphupat Tera & Khordak**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/1947/24

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।